# চৎনহনখিদ্রবা লুপা ৫০০ অমদি ১০০০ চৎপীশিং মখা তানা থমজিল্লকপগী ৱাফম লৈঙাক্লা ৱারেপ লৌগদবনি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ঃ*

লৈঙাক্লা চৎনহনখিদ্রবা অৱাংবা থাক্কী শেনয়েক ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপীশিং বেঙ্কতা দিপোজিৎ তৌহৌদ্রবশিং অদু মখা তানা দিপোজিৎ তৌহনবা নত্রগা তৌহন্দবা হায়বদু লৈঙাক্লা চয়োল ২গী মনুংদা ৱারেপ লৌগদবনি হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অমনা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাংবা শেনয়েক খরা চৎনরোই হায়না লাউথোকখিবা অদুদা খুদোং চাদবা কয়া থোকহনখি। চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা ফাওবদা চৎনখিদ্রবা শেনয়েকশিং অদু বেঙ্কশিংদা দিপোজিট তৌরক্লবগী অয়াবা লৈঙাক্লা পীরি।

দিসেম্বর থাগী অরোইবা ফাওবদা খুদোংচাদবা ফিভম অমত্তা য়াওদনা অদুগুম্বা শেনয়েকশিং অদু দিপোজিট তৌরক্লবগী অয়াবা লৈঙাক্লা পীখিবনি হায়না এটোর্নি জেনরেল মোকুল রোহাটকিনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টরনা চৎনহনখিদ্রবা শেনয়েকশিং অদুগী চপ চাবা মরী মখোঙ পীরবা মতুং চৎলিবা থা অসিগী ৩১ ফাওবদা শেলশিং অদু দিপোজিট তৌবা য়াবগী অয়াবা পীখিবনি হায়রি।

চীফ জষ্টিস জে এস খেহরনা হায়, চৎনহনখিদ্রবা শেনয়েকশিং অদু পাইরম্বশিং আইননা য়াদ্রবনি হায়না লৌগনি। শেনয়েক চৎনহনখিদবগী কেস অদু এপ্রিল ১১দা অমুক হন্না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুদা হিয়ারিং চত্থগনি।

পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা থাঙ্গৎলক্কুনা শেনয়েকশিং দিপোজিৎ তৌবগী মতাংদা ৱাকৎলকখি। অরিবা শেনয়েকশিং অদু দিপোজিৎ তৌননবগীদমক অকক্লবা মতম কয়া পীখ্রে।

দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা শেংদোকপা ৱারোল য়াওদনা অরিবা শেনয়েকশিং তোঙান–তোঙানবা বেঙ্কশিংদা দিপোজিট তৌবা য়াহনখি। অদুগা মখা তানা অদুগুম্বা শেনয়েকশিং অদু চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাগী অরোইবা ফাওবদা চপ চাবা শেংদোক ৱারোল পীদুনা দিপোজিট তৌননবগী অয়াবসু পীখিবনি হায়রি।

## শেল লৌথোকপগী চাং হন্থহন্নবা লৈঙাক্লা সভাদা পুখৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ঃ*

লৈঙাক্লা ঙসি শেল লৌথোকপগী চাং লাক্ষ ৩দগী লাক্ষ ২দা হন্থহন্নবা ৱাফম পুখৎখ্রে। লোক সভাদা ঙসি লৈঙাক্লা পুথোরকখিবা ফাইনান্স বিল অদুগী মায়োক্তা ত্রিনামুল কংগ্রেস, বি জে দি অমসুং আর এস পিগী মেম্বরশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। নৌনা পুথোরক্লিবা এমেন্দমেন্ট বিল অদু মনিং থোংদা চংলকপা য়াবগী ওইথোকপা কয়া লৈ হায়খি।

লোক সভাগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা ওপোজিসন পার্টিনা ওবজেক্ট তৌরকখিবা ৱাফম অদু নমহৎতুনা হায়, পুথোক্লিবা এমেন্দমেন্ট বিল অদু মনি বিল অমনি। মরম অদুনা বিল অদু মখা তানা ফাইনান্স বিলদা খন্নবা য়াই হায়না নমহৎখি। নৌনা পুথোরক্লিবা ফাইনান্স বিল (এমেন্দমেন্ট) অদুদা লুপা লাক্ষ ২ ফাওবদমক বেঙ্কতগী লৌথোকপা য়াবগী অয়াবা পীরি। ফেব্রুৱারি ১দা ফমখিবা বজেট মীফমদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লুপা লাক্ষ ৩ ফাওবা লৌথোকপা য়াবগী প্রোভিজন অদু আইননা য়াদবা অমনি হায়না চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ১দগী চৎনগনি। প্রোভিজন অদুবু থুগাইবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ মান্ননা দন্দি ওইনা লৌখৎপা য়াবগী প্রোভিজন লৈগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি।

রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবদা থৌশিল অদু শেল কা হেন্না শীজিন্নবা থিংনবা অমসুং ব্লেক মনিগী খুদোং থিবা হেনগৎলক্কনবা লৌখৎপা থৌশিল অমনি হায়খি।

# মিদল ইষ্ট লৈবাকশিংদা প্লেন তোংবদা লেপটোপ, টেব্লেট শীজিন্নবা থিংখ্রে

*ৱাশিংটন, মার্চ ২১ঃ*

পেসেঞ্জর জেটশিংদা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইস কয়াদা লোৎতুনা বোম পুরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা মিদল ইষ্টকী এয়ারপোর্ট ১০দা এরোপ্লেন তোংবদা লেপটোপ, টেব্লেট পুবা অথিংবা থম্লে হায়না ঙসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা লাউথোকখ্রে।

য়ু এসকী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখিবদা লৈবাক ৮গী এয়ারলাইন ৮দা অচৌবা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইসকী পোৎলম মরু ওইনা লেপটোপ, টেব্লেট অমসুং সেল ফোনশিং পুদুনা চৎপা অথিংবা থম্লে হায়রি।

মিদল ইষ্টকী খ্বাইদগী মী চীনবা মফমশিংদগী নুমিৎ খুদিংগী ফ্লাইট ৫০ রোম নোংমদা পেসেঞ্জরশিং পুদুনা চৎলি। ইন্টিলিজেন্সনা পীরকখিবা পাউগী মতুং ইন্না প্লেন তোংদুনা চৎলিবা মীওইশিংদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবা থৌশিল অমা ওইনা হায়রিবা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইসশিং অদু পুদুনা চৎপা অথিংবা থমখিবনি হায়না য়ু এস ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



ইন্টিলিজেন্সকী পাউ অদু ফোঙদোকউ হায়বদি য়াখিদে। অদুম ওইনমক মীয়ামগী চেকশিন থৌরাংগীদমক থৌশিল অদু পায়খৎপনি হায়না ট্রান্সপোর্টেসন সিক্যুরিটি এদমিনিষ্ট্রেসননা ফোঙদোরক্লি।

পোৎলমশিং অদু পুবা য়ারোই হায়বগী অথিংবা অদু করম্বা মতমদা লোইগদগে হায়বগী অকক্লবা মতম লৈতে। মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারি থাদা দালো এয়ারলাইন পেসেঞ্জর জেট অমদা অপীকপা দিভাইস অমা শীজিন্দুনা সোমালি ইস্লামিষ্টশিংনা পোকখায়হনখিবা লৈখি।

প্লেন অদুগী মনুংদা অপিকপা বোম অদু পোকখায়খ্রবসু প্লেন অদু অশোই অঙাম য়াওদনা লেন্দিং তৌবদি ঙমখি। য়ু এস ওফিসিয়েলশিংনা হায়খিবা ৱাফম অমা সি এন এননা কোদ তৌদুনা ফোঙদোরকখিবদা অল কাইদানা কিহল্লকপা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা মিদল ইষ্টকী মফম কয়াদা লৈবা এয়ারপোর্টশিংদগী পায়গদবা প্লেনশিংদা লেপটোপ, টেব্লেট অমসুং সেল ফোন পুবদা অথিংবা থমখিবনি হায়রি।

অথিংবা থমখ্রবা এয়ারপোর্টশিং অদুদি ক্যুইদ এলিয়া ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্ট, কাইরো ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্ট, ইষ্টানবুলগী অটার্ক এয়ারপোর্ট, জেদাগী কিং অব্দুল লাজিস ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্ট, সাউদি অরাবিয়াগী রিয়াদতা লৈবা কিং খালিট ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্ট, মোরোকোদা লৈবা মুহম্মদ ভি ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্ট, কটারগীগী দোহাদা লৈবা হম্মদ ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্ট, দুবাই অমসুং অবুদাবি এয়ারপোর্টনি হায়রি।

## GAS TODAY

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......04/12/2016
Valid from ........... 02/12/2016
Stk ...............................306
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**NONGPOK SEKMAI JED INDANE**
Booking upto .......06/02/2017
Stk ...............................306
Timing........7.00 to 10.0 a.m
Submit Aadhar Xerox

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking upto .......23/11/2016
Valid from ........... 25/10/2016
Stk ....................612(DNSC)
Timing.....7.30 am. to 12 noon

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking upto .......14/12/2016
Sl. No. 12650
Valid from ........... 26/11/2016
Stk ...............................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......30/12/2016
Valid from ........... 03/12/2016
Stk ...............................613
Timing........7.30 to 11.00 a.m

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......12/12/2016
Sl. No. Upto 5380
Stk ...............................306
Timing........7.00 to 11.00 a.m

# ইস্লামবাদতা যুহার হাখ্রে

*ইস্লামবাদ, মার্চ ২১ঃ*

পাকিস্তানগী কোনুং ইস্লামবাদতা ঙসি রিক্টর স্কেলদা ৪.০ য়ৌবা ময়াই ওইরপ কনবা যুহার হাখ্রে। যুহার অদুনা থংননা লৈবা পঞ্জাব অমসুং খাইবর পখাতুখ্বা প্রোভিন্সতসু নিকহনখি।

যুহার অদুগী ইপিসেন্টর পঞ্জাব প্রোভিন্সকী অটোক দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হজরো মনাক্তা ওইখি হায়না পাকিস্তান মেটেরেলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা লমদম অদুগী কিলোমিটর ১২ রোম লুবা লৈনুংদগী যুহার অদু হৌরকখিবনি। নাওসেদা, হরিপুর, স্বাবিনচিংবা মফমশিংদসু যুহার অদুনা নিকহনখি।

ময়াই ওইরপ কনবা যুহার অদুনা মীশি–মীনা নংহনবা নত্রগা লন–থুম মাংহনবগী পাউ লৈতে। মমাঙ থাদা লমদম অদুদা মেগ্নিচুদ ৫.৩ য়ৌবা যুহার হাদুনা মীওই লিশিং ৭৪ শীহনখিবা লৈখি হায়রি।

# ইং ২০১৬তা কাশ্মীরগী নহা ওইরিবা মীওই মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লালহৌবা য়াওখি ঃ গভর্নমেন্ট

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ঃ*

ইং ২০১৬তা কাশ্মীরগী নহা ওইরিবা মীওই ৮৮ লালহৌবদা য়াওখি। মদু হৌখিবা চহী ৬কী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা চাং অমনি হায়না সেন্টরনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মদুতা নত্তনা ইং ২০১৫দা ঙমখৈ লান্না মিলিটেন্টশিং চংশিল্লকখিবগী চাং অদু হৌখিবা চহীশিংগা য়েংনবদা শরুক ৩ হেনখি হায়রি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফিভম মপুং ওইনা য়েংনবদা ফগৎলক্রে। ৱাহং অমগী পাউখুমদা ঙসি ষ্টেট হোম মিনিষ্টর হন্সরাজ গঙ্গরামনা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখিবদা কাশ্মীরগী নহা ওইরিবা মীওই কয়া লালহৌবশিংদা য়াওদুনা খুৎলায় পায়খৎখি। অদুম ওইনমক কাশ্মীর তম্পাক্তা খুৎলায় পায়বশিং ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপগী চাং হন্থখি।

ইং ২০১৪দগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অদুগী নহা ওইরিবা মীওইশিং লালহৌবা য়াওবগী চাং তপ্পা তপ্পা হেনগৎলকখি। ইং ২০১৬তা ফংখিবা দেটাগী মতুং ইন্না কাশ্মীরগী নহা ওইরিবা মীওই ৮৮ তোঙান–তোঙানবা লালহৌলুপশিংদা য়াওখি। মদু হৌখিবা চহী ৬তা খ্বাইদগী চাং ৱাংবা অমনি।



ফাইল ফোটো

ইং ২০১০দা নহা ৫০না লালহৌবা য়াওখি। ইং ২০১১দা ২৩, ইং ২০১২দা ২১ অমসুং ইং ২০১৩দা নহা ১৬ লালহৌবা য়াওখিবগী রেকোর্দ লৈ হায়খি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীর ঙমখৈ লান্না চত্থরকপা টেরোরিজমগী চৈথেং ফংলিবা ষ্টেট অমনি। জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা ঙমখৈ লান্না টেরোরিষ্টগী হিংশা কয়া চত্থরকপা মায়োক্লরি। ইং ২০১২দা টেরোরিষ্ট ১২১ ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকখি হায়বগী রেকোর্দ লৈ। ইং ২০১৬তা মিলিটেন্ট ১১৯ ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকখি হায়বা পাউ ফংবা ঙমখি।

লালহৌবা থেংননবগী পান্দমগী মখাদা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা লাকপগা লোয়ননা তোঙান–তোঙানবা চহীশিংদা মিলিটেন্ট কয়া ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকখি হায়বা খঙবা ঙমখি। ইং ২০১১দা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনবদা থৌদোক ২৪৭দা টেরোরিষ্ট ৫২ ঙমখৈ লান্না চংশিনখি হায়বগী রেকোর্দ লৈ হায়রি।

সরেন্দর পোলিসিগী মখাদা ষ্টেট লৈঙাক্লা অকক্লবা থৌশিল পায়খৎতুনা ইং ২০১৪দা মিলিটেন্ট ২১৯ সরেন্দর তৌহনবা ঙমখি।

বুরহান ৱানি ইং ২০১৬কী জুলাই ৮দা হাৎখিবা মতুং ঙমখৈ লান্না টেরোরিষ্টশিং চংশিল্লকপগী চাং হন্থরকখি। চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি অমসুং ফেব্রুৱারি থাদা মথং শীৎনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপদা থৌদোক ৪৯ অমসুং ২৭ থোকখি হায়রি।

# সোমালিয়াদা চাবা ফংদবদগী মীওই ২৬ শীখ্রে

*জুবালেন্দ, মার্চ ২১ঃ*

সোমালিয়াগী জুবালেন্দ লমদমদা চাবা ফংদবনা মরম ওইদুনা মীওই ২৬ শীখ্রে। সোমালিয়াগী খা থংবা জুবালেন্দ সেমি ওটোনোমস রিজনদা মীওইশিং অদু লৈখিদবনি হায়না ফেদরেল গভর্নমেন্ট রেদিওনা ফোঙদোরক্লি।

সোমালিয়াদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা লোয়ননা ইকংনা চাওনা অমাং অতা থোকহল্লি। লৌরোক লৈতবনা লৈবাক অদুগী মীওই তঙ্খাই অমরোমদি খুদোং চাবদবা মায়োক্লরি। লোয়ননা চিঞ্জাক দরকার ওইরি।

জুবালেন্দদা লৈবা ইমুং কয়াগী মীওই চা কয়া চানবা চিঞ্জাক ফংদবনা মরম ওইরগা চরা হেল্লি। লৈবাক অদুগী কোনুং মোগাদিসুদগী মতেং পীরকপা ঙাইনরি।

জুমালেন্দ এসিষ্টেন্ট মিনিষ্টরনা হায়, লমদম অদুদা শাখিবা ঈকং থোকপনা মরম ওইরগা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা মীওই কয়া শীহনখ্রে। সহর অদুগী তোঙান–তোঙানবা শরুকশিং খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংদা খুদক্কী ওইনা তেংবাং পীবা দরকার ওইরি হায়রি।

লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মফম অদু অল সবাব মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চনবনি। লমদম অদুদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক কয়াসু থোক্লি।

লমদম অদুদা লৈরিবা মীওই কয়া চাক তাংবগী অৱাবা মায়োক্লরি। জুবালেন্দগী মীওই কয়া লৈবাক অদুগী কোনুং তম্না চেন্থোকখিনবা হোৎনরি।

ঙসি ইব্রাহিম অবদো (৬৩) কৌবা ঘধা তোংদুনা লাকখিবা মীওই অমনা লমদম অদুদগী চেন্থোরক্কুনা লৈবাক অদুগী কোনুং য়ৌননবা বস ফাননবা হোৎনরমখি। লমদম অদুদা চেনবা তুরেল অমসুং গুহা কয়া কংখ্রে। চাক তাংবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামশিংদা চানবা চিঞ্জাক ফংহনবা তঙাইফদে হায়খি।

# সাউথ সুদানগী ৱাউলদা প্লেন কায়বদা মীওই ৩৭ শোকখ্রে

*জুবা, মার্চ ২১ঃ*

সাউথ সুদানগী অৱাং নোংচুপ থংবা সহর ৱাউলদা ঙসি পেসেঞ্জর জেট অমা কায়দুনা লেন্দিং তৌরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৭ অশোক অপন নংখ্রে।

সাউথ সুদানগী সুপ্রিম এয়ারলাইন প্লেন অদুদা ক্রু মেম্বর ৫ য়াওনা মীওই ৪০ তোংলকখিবনি হায়না এয়ারলাইন অদুগী মেনেজর গেব্রিয়েল ঙাংনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট ইনর্ফোমেসন মিনিষ্টর বোনা গাউদেন্সিওনা ফোঙদোরকখিবদা অশোক অপন নংলবা পেসেঞ্জরশিং অদু এয়ারপোর্ট অদুগী এম্বুলেন্সনা হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্নখি। অহানবা লায়েং পীরবা মতুং মীওইশিং অদু থাদোকখ্রে হায়রি।

প্লেন অদুদা তোংলকখিবা মীওই ৩৭ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা অহানবা লায়েং পীখি। মদুগী মতুংদা মীওই ৩১ রিলিজ তৌখ্রে। অদুগা লেমহৌরিবশিং অদুনা হয়েং রিলিজ তৌরগনি হায়না গাউন্সিওনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

মখা তানা লায়েংহৌরিবা মীওইশিং অদু শীবা য়ানা খুদোং থিবদি ওইদ্রে। শোক্লবশিং অদুগী মনুংদা ৱাউল এয়ারপোর্টগী ইঞ্জিনিয়ার পাউ চার্লিস অমসুং রেদিও জর্নেলিষ্ট লোরেন্স য়ুনিসেন য়াওরি হায়রি।

চার্লিসনা হায়, প্লেন অদুনা লেন্দিং তৌনবা হোৎনবা মতম অদুদা মফম অদুদা ওইখিবা ঈশিং–নুংশিৎকী ফিভম অদুদ শাফবা ওইখিদে লোয়ননা উবা ঙম্বগী চাংসু হন্থখি হায়রি।

# মাওইষ্টনা ট্রাইবেল অমা হাৎখ্রে, অমনা থাদোরক্লে

*কোরাপুট, মার্চ ২১ঃ*

উরিষাগী রাইয়াগরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুঙ্গংদা লৈবা ট্রাইবেল অমা মাওইষ্টশিংনা হাৎখ্রে। মীওই অদুনা পুলিসতা পাউ পী হায়বগী মরালদা হাৎখিবনি।

থৌদোক অদুনা খুঙ্গং অদুদা লৈবা মীওইশিংদা পুলিসতা মতেং পীদনবা ৱার্নিং তৌবা অমা ওইহল্লি। পুলিসনা হায়, লৈখিদ্রবা মীওই অদু মালি সিকোকা কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

মহাক রাইয়াগরাদগী কিলোমিটর ৯০ রোম চৎলগা লৈবা সপালাঝোলা খুঙ্গংদা লৈবা মীওইনি। মাওইষ্টনা ফাখিবা অতোপ্পা মীওই অমদি থাদোরক্লে হায়রি।

খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকখিবদা সাপালাঝোলা খুঙ্গংদা মাওইষ্ট ৩০ রোমনা রেইদ চত্থরক্কুনা পুলিসতা পাউ পীবনি চীংনবা মীওই ২ ফাদুনা পুখি। রাইয়াগরা এস পি কে শিব সুব্রামনিনা ফোঙদোরকখিবদা মীওইশিং অদু পুলিসতা পাউ পীবনি হায়না মাওইষ্টশিংনা মরাল শীরি। অদুম ওইনমক মখোয় পুলিসকা শম্নবা অমত্তা লৈখিদে।

মখোয়না পাউ অমত্তা পীরকপা লৈখিদে। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়না এস পি সুব্রামনিনা ফোঙদোরক্লি।

*সনা–সুদোকু– ৮১১ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 7 | 6 | 2 | 4 | 9 | 1 | 5 |
| 9 | 1 | 5 | 7 | 8 | 3 | 2 | 4 | 6 |
| 2 | 6 | 4 | 1 | 5 | 9 | 7 | 3 | 8 |
| 4 | 2 | 6 | 9 | 7 | 5 | 3 | 8 | 1 |
| 5 | 7 | 1 | 8 | 3 | 6 | 4 | 9 | 2 |
| 3 | 9 | 8 | 4 | 1 | 2 | 6 | 5 | 7 |
| 6 | 8 | 2 | 3 | 9 | 1 | 5 | 7 | 4 |
| 7 | 4 | 9 | 5 | 6 | 8 | 1 | 2 | 3 |
| 1 | 5 | 3 | 2 | 4 | 7 | 8 | 6 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-812**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 7 | | | 3 | | 5 | |
| 1 | | | | | 7 | | | |
| | | 3 | | | | 4 | | |
| 2 | | | | 9 | | | | |
| 3 | 5 | | | | 2 | | | 1 |
| | 7 | | 8 | 4 | | | 3 | |
| | 4 | 9 | | | | | | |
| | 8 | | | | | | | 4 |
| | | 1 | | | 4 | | 2 | 7 |

# রাজ্য সভানা ঐচ আই ভি /এইদস পেসেন্টশিংগী হককা মরী লৈনবা বিল পাস তৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ঃ*

ঐচ আই ভি অমসুং এইদসনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা মহৈ তম্বা, থবক চংবা অমদি মান্নবা মীৎয়েং লৈহনগদবা বিল ঙসি রাজ্য সভানা পাস তৌখ্রে।

হ্যুমেন ইম্যুনো দিফিসেন্সি ভাইরস (ঐচ আই ভি) অমসুং একুয়েরড ইম্যুন দিফিসেন্সি সিন্দ্রোম (এইদস) এন্দ কেন্ট্রোল বিল ইং ২০১৪ হেল্থ মিনিষ্টর জেপি নাদা পুখৎলকপগা লোয়ননা ঙসি রাজ্য সভানা ভোইস ভোটতা পাস তৌখ্রে।

বিল অদুগী মতাংদা খন্ন–নৈনবদা বিল অদুগী মনুংদা য়াওরিবা সেক্সন ১৪ (১) শেমদোক্লবা ৱাফম কয়া পুখৎনখি। বিল অদুগী মতাংদা খন্ন–নৈনবদা নাদনা হায়, হাউসতা খঙহন্নিংবদি ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইরবা নত্রগা এইদসনা নারবা মীওইশিং লায়েংসি হায়বা য়াদবা লৈহল্লোইদবনি। অদুগুম্বা মীওইশিং অদুদা চপ চাবা লায়েং পথাপ চত্থনবা খুদোংচাবা পীগদবনি। মদুগীদমক থৌশিল অসি পায়খৎপা লৈঙাক অসিনা হিরম অসিদা হকচিন্না লৌই।

ইন্দিয়াদা লৈবা ঐচ আই ভি অমসুং এইদস নারবশিং লায়েংগনি। লৈঙাক অসিনা অদুগুম্বা মীওইশিং অদুগী লায়েংবদা অকনবা মীৎয়েং থল্লি।

লায়েংসি হায়বা য়াদবা অনাবশিংদসু চপ চাবা অচুম্বা ফংহন্নবা থৌশিল পায়খৎকনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেটনা থবক কয়া পায়খৎপা য়াননবগীদমক অখন্নবা বিল অদু পুথোকপনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা সেক্সন ১৩গী মখাদা তোঙান–তোঙানবা লায়েংশিং ঐচ আই ভি অমসুং এইদস নারবশিংদা ফংহগনি।

মিনিষ্টরনা হায়, অসিগুম্বা বিল পাস তৌবা অসি ইতিহাস ওইরগদবা অমনি। লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা মগুন লৈবা পুন্সি অমা লৈহন্নবা পান্দম থল্লি। নেসনেল এইদস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা চপ চাবা শেল থাদরি।

চহীগী ওইনা লুপা ক্রোর লিশিং ২ কাইথোক্লি। অদুগুম্বা ফন্দ অদু হন্থবগী ৱাফম লৈতে হায়খি। কংগ্রেসকী মেম্বর জয়রাম রামেসনা হায়, ইং ২০১৭–১৮গী ওইনা লৈঙাক অসিনা লুপা ক্রোর লিশিং ২ কায়থোকখ্রে। মদু হেনগৎহনবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈগনি।

ব্লদ বেঙ্কশিংদা লৈবা ঈ শিংদগী লায়না মখল অদু লৌনবা য়াবগী মতাংদা নাদানা হায়, লৈঙাক অসিনা হিরম অদুদা মীৎয়েং চংলি। শীংথানিংঙাই ওইবা চাংদা ঈ কাপ্পদা লায়না অদু লৌনবগী চাং হন্থহনবা ঙম্লে হায়খি।

# ইনকম টেক্স ওফিসার অমা ফারে

*অহামেদবাদ, মার্চ ২১ঃ*

এন্টি করপসন ব্যুরো (এ সি বি)না ইনকম টেক্স ওফিসার অমগী মথক্তা কেস লৌখৎপগা লোয়ননা চার্টর একাউন্টেন্ট অমা ফারে। মীওই অদুনা ময়াই চাবী অমগী থৌদাং লৌদুনা পেট্রোল পম্প অমদগী লুপা লাক্ষ ৮ লৌখিবা লৈ হায়রি।

ইনকম টেক্সকী ক্লাস ২ ওফিসার দিনেস মিনানা আইননা কাইনা মহেস মোরি কৌবা অহামেদবাদকী দহোট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জলোট টালুকদা লৈবা মীওই অমদগী লুপা লাক্ষ ৬৫ পীননবা দিমান্দ তৌখিবসু লৈখি হায়রি।

থৌদোকশিং অদুগী মতুংদা পুলিসনা থি–হুম্বগী থবক চত্থবদা মীওই অদুগী লুপা ক্রোর ৭ লোমগী লন থুম লৈরম্বা থেংনখি। মোরিনা অহানবগী ওইনা মার্চ ১১দা ওফিসার অদুদা লুপা লাক্ষ ৭ পীখি। অদুগা মখা তানা ঙরাং লুপা লাক্ষ ৮ পীখি হায়বা খঙবা ঙমখি হায়রি।

এ সি বিনা ফারবা ভারত অগরৱাল ময়াই চাবী ওইনা থবক তৌবা মীওই ওইরমখি। ইনকম টেক্স ওফিসার মিনাগা লোয়নবা অতোপ্পা মীওই অমদি নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না এ সি বিনা ফোঙদোরক্লি।

Sangeet Natak Akademi
National Academy of Music, Dance and Drama, New Delhi
an Autonomous Body under the Ministry of Culture, Government of India
Jawaharlal Nehru Manipur Dance Academy, Imphal
Manipur University, Imphal

Nritya
Sanrachna
a Festival of Choreographic Works

22 – 26 March 2017
Maharaja Chandrakirti Auditorium, Palace Compound / Centenary Hall, Manipur University

PROGRAMME: 22 – 26 March 2017, 4.00 pm daily

Wednesday, 22 March 2017
**Trividh**
Odissi Vision and Movement Centre, *Kolkata*
Choreography: Sharmila Biswas

**Kabui-Kei-Oiba**
Jawaharlal Nehru Manipur Dance Academy, *Imphal*
Choreography: Late Rajkumar Priyogopalsana

Thursday, 23 March 2017
**Silk Sutra – Dance of the Weaves**
Prasiddha Dance Repertory, *Bengaluru*
Choreography: Pratibha Prahlad

**Kalpkatha:** dramatic tales from mythologies
Rasa United, *Delhi*
Choreography: Banashree Rao

Friday, 24 March 2017
**Eklavya**
Sattriya Akademi, *Guwahati*
Choreography: Jatin Goswami

**Natya Vrinda**
Natya Vriksha Dance Company, *Delhi*
Choreography: Geeta Chandran

Friday, 24 March 2017
**Ashtaniyika**
Manipuri Jagoi Marup, *Imphal*
Choreography: Late Th. Babu Singh

Saturday, 25 March 2017
**Gurusmarana**
Sangeeta Dash and group, *Puducherry*
Choreography: Sangeeta Dash

**Janardhanam**
Kala Krishna and group, *Hyderabad*
Choreography: Kala Krishna

Sunday, 26 March 2017
**Krishna Katha**
Kerala Kalamandiram, *Trissur*
Choreography: Kalamandalam Kshemavathy

**Raigarh Ki Rachanaye**
Ramlal Bareth & Group, *Bilaspur*
Choreography: Ramlal Bareth

**Ritu Samharam**
Nrityashree, *Chennai*
Choreography: C. V. Chandrasekhar

ALL ARE INVITED
Programme subject to change